# কুমজা ২০১২ গী জানুৱারি ১৬ তা জুগেশ্বরবু ইন্দিয়াগী কৌশু লীদরগী রিপ্রজেন্টেটিব ওইনা লাউথোরকখি

মার্সেল আর্টসতা মীৎয়েং অমা — রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



জুগেশ্বর, ফাউন্দর ওফ ইন্টরনেসনেল একাদেমি ফোর লর্নিং মার্সেল আর্টস মণিপুর, ইন্দিয়া




মাষ্টর জুগেশ্বর সিংহ, ২০১৪ ন্যু দেল্লি

হান্নগী মখা...

বেঙ্গলোরদা লৈবা ইন্দস ইন্টরনেসনেল স্কুলদা চহী অমরোম মার্সেল আর্টসকী ওজা ওইদুনা পুরবা মতুংদা জুগেশ্বরগী মতিক মগুনশিং খঙবীরকপদগী পার্মিনেন্ট ইমপ্লোয়ি ওইনা স্কুল অদুনা লৌশিনবীখি। অসুম্না মথং মথং চঙশিল্লকপনা কুমজা ২০০৯ দদি এন আই এস সার্টিফিকেট কোর্সসু লোইশিনখি। কুমজা ২০১০ দা মার্সেল আর্টস সাইন্সতা সান দাইগো য়ুনিভর্সিটি কালিফোর্নিয়াদগী ইন্টরনেসনেল দোক্তর ওফ ফিলোসোফিগী এৱার্দ পীরকখি।

মসিগী মখা তারকপদা কুমজা ২০১১ দা উজবেকিস্তানগী কোনুং টাসকেন্টদা তৌখিবা "ৱর্ল্ড ম্যুএ থাই চেম্পিয়নশিপ" তসু কে এস ঐচ জুগেশ্বর ম্যুএ থাই ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়াগী কোচ ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা কুমজা ২০১২ গী সেপ্টেম্বর থাদা ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস কাউন্সিল (য়ুনাইটেদ কিংদম) না জুগেশ্বরবু গ্রান্দ মাষ্টরগী মিংথোল পীবিরকপগা লোয়ননা ব্লেক বেল্ট সভেন দানগী রেঙ্কসু খুৎশিন্নরকখি।

অদুগা, লমদমসিদা মার্সেল আর্টসকী শান্নরোয় ওইরুবা কয়াগী লাইবক থিবা হায়রগদি, শেন থুম পায়নদবনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল থাক্তা শরুক য়াবা ঙমদবা অসিসু অমনি। করিগুম্বদা শেন থুম ৱানা পুথোক্তুনা শান্নরুরবসু ওলেম্পিক্স গেমসকী মনুং চনবা মশান্না ওইদবনিনা মণিপুরদদি থবক ফংবগী খুদোংচাবা য়াম্না ৱাৎলি। অদুনা ফজনা শান্নরম্বা কয়া মমৈদা নীংহন্নরক্তুনা পোত্থানখিবনা অয়াম্বনি। অসিগুম্বশিং অসি উরুবদগী মার্সেল আর্টসকী ওজা অমা ওইনা জুগেশ্বরনা নেসনেল ফেদরেশন অমা লিংখৎনবা কন্না হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী মার্সেল আর্টসকী ওর্গেনাইজেশন খুদিংমক অয়াম্বনা মণিপুরগী মপান লৈবাকশিংদা হেদ ক্বার্টর, হেদ ওফিস ওইবা ঙাক্তনি। অদুগা অমুকসু মণিপুরদা মার্সেল আর্টসকী অফবা মতিক চাবা ওজাদি য়াম্না লৈ। তৌইগুম্বসুং ফেদরেশন, ওর্গেনাইজেশনগী মকোক থোংবদি মৈতৈ মচাশিংনা ওইবা কয়া ঙমদে। নেসনেলগী টিম শেম্নবা ত্রাইএল পীনরকপা মতমদসু মাগী মাগী মীচং খোম্নরকপনা মরম ওইরগা অফবা মৈতৈ মচা শান্নরোয় কয়া সেলেক্সন ফংবা ঙমদে। মসিনসু অচৌবা নীংবা কায়বা অমা ইতৎ তত্তনা থোকহল্লি। অসিগুম্বা থৌদোক তোইনা থোরকপদগী কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বর থাদা জুগেশ্বরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা দ ৱর্ল্ড কৌশু ফেদরেশন (হেদ ক্বার্টর য়ু এস এ) দা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিব কন্ত্রি লীদর ওইজগে হায়দুনা চে থাখি। ক্ষেত্রিময়ুম জুগেশ্বরগী লিশাং শিংনা মার্সেল আর্টসতা কত্থোরকপা, লৌরকখিবা মনা মথুমশিং কয়া অদু য়েংবীরবা মতুংদা ৱর্ল্ড কৌশু ফেদরেশনগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১২ গী জানুৱারি ১৬ তা জুগেশ্বরবু ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিব কৌশু লীদর ওইনা লাউথোরকখি।

মসিগী মতুং ইকান কান্নদনা "মরিশুবা ৱর্ল্ড কৌশু চেম্পিয়নশিপ" তা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়ারনবা ইনভাইট তৌরকখি। অসুম্না মৈতৈ মচা অমনা অখাঙ কনবগা লোয়ননা হোৎনজরকপগী মহয় ফংবা হৌরকখি। জেন্টিং হায়লেন্দ মালেসিয়াদা পাঙথোক্কদবা কৌশু চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুনবা ইন্দিয়ন টিম শেম্নবগীদমক 'ফর্ষ্ট ইন্দিয়া নেসনেল কৌশু চেম্পিয়নশিপ" অমা গোৱাদা মায়পাক্ক। পাঙথোকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৩ গী প্লেয়র ৪৫০ না শরুক য়াখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ মনুংদা ইন্দিয়ন কৌশু ফেদরেশনগী থৌ পুনবা কম্মিটিসু শেমখি। মশান্না অসি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদসু হেন্না পোপ্যুলর ওইহন্নবা ষ্টেট লিদরশিংসু খনখি।

অমরোমদা কৌশু মশান্না অসি মীয়াম্না হেন্না পাম্নরক্কদবা, মণিপুর মচাশিংগী তুংগী কেরিয়র শেমজবা য়াগদবা মশান্না অমনি। কৌশুগী মরু ওইবা পান্দমদি ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু থকসি-খাসি লৈহনবা, মীপুম খুদিংমকপু মশা-মউ ফহনবা, খুদোংথিবা তাঞ্জাদা মশাবু ঙাকথোকচবা ঙমহনবা, শম্না হায়রবদা দিসিপ্লিন, সেল্ফ দিফেন্স অমসুং ফিটনেসনি। কম্পিটিশনগীদমক্তি শান্নরোয় খুদিংমক কম্পলসরি ওইদে। হেন্না টেলেন্ট লৈবা মীওইশিং, মমা মপানসু কম্পিটিশন্দা য়াওহন্নিংলবদি মদুগী খুদোংচাবসু অদুম পী। য়ুরোপকী মশান্নসি য়াম্না পোপ্যুলর ওইখ্রে। স্কুল কোলেজশিংদসু ফিজিকেল এদ্যুকেশনগী সবজেক্টতা করিকুলম অমা ওইনা হাপ্লখ্রে। কৌশু হায়বসি ষ্টদিগা হেন্না চুশিন্নবা মার্সেল আর্টস মখল অমনি। মসিগী করিকুলম, লেসন প্লান, বেল্ট সিষ্টেম নিংথিনা লৈবনা মহৈরোয়শিংদসু সবজেক্ট অমা ওইনা হাপচিনবদা হেন্না খুদোংচাহল্লি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদসু কৌশুবু সি বি এস ঈ স্কুলদা সবজেক্ট অমা ওইনা হাপচিন্নখ্রে। ষ্টেটশিং অদুদি কর্ণাটাকা, গুজরাট, কেরলা, মহারাষ্ট্র অমদি হিমাচল প্রদেশনি। হায়রিবা স্কুলশিং অসিদা কৌশু মশান্নগী ইন্সত্রক্টরসু থম্নখ্রে।

মণিপুরদসু কৌশু মশান্না অসি পাক শন্না খঙহনবা ঙম্নবা জুগেশ্বরনা মায়কৈ কয়াদা হোৎনবা লেপত্রি। ষ্টেটসিদা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল থাক্তা শান্নরুরবা প্লেয়রশিং, এন আই এস লোইরবা কোচশিং অসিসু মতেং পাংননবা হোৎনরক্লি। ইন্দিয়া কৌশু ফেদরেশন মণিপুরদা পুরক্তুনা হাংদোক্লিবা অসিমকসু মৈতৈ মচা ময়াম অমা শেমগৎলকপনি হায়বা য়াই। অদুগা ফেদরেশন অমগী এফিলিয়েশন লৌবা হায়বসিসু তরাইবা অমদি নত্তে। শেল য়াম্না চঙবা, পূক্নিং ৱাখল ফজনা থাদদবা য়াদবা, মতম নীংথিনা কাইথোক্তুনা চেন্দবা য়াদবা থবক ঙাক্তনি। পূম্নমক অসি লৈদুনসু তুংগী শান্নরোয়শিংগী খল্লগা জুগেশ্বরনা অঙম্বা থাক্তা অখাকপা থমদনা হোৎনরি।

-মথং-মথং

# অশোক কুমারনা রিওগী রেষ্টলিং ইভেন্টতা রেফ্রি ওইগনি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ০৪ ঃ

ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং মশান্নগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল রেফ্রি ওইরিবা অশোক কুমার চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসতা ওফিসিএট ওইনবা খল্লক্লে।

অশোক কুমারবু রিও ওলেম্পিক্কীদমক খল্লকখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলেম্পিক গেমসতা ওফিসিএট ওইবা অহানবা রেফ্রিসু ওইরগনি। ওলেম্পিক গেমস অসিগীদমক সুপরভাইজর অমদি ইনষ্ট্রক্টরশিং য়াওনা পুন্না রেফ্রি ৫০ ক্বালিফাই ওইখি।

য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিং (য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু) না এসিয়াদগী পুন্না রেফ্রি মাপন খনগৎখিবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী এয়র ফোর্সতা ৱারেন্ট ওফিসর ওইনা থৌ পুরিবা অশোক কুমারসু য়াওরকখিবনি।



ওলেম্পিক গেমস অসিগীদমক খনগৎখ্রবা রেফ্রিশিং অসি হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা লাস ভেগাসতা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড সেনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা মখোয় মখোয়না উৎখিবা পাফোর্মেন্সশিং অমদি মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১১ দগী ১৩ ফাওবা রুসিয়াগী সোচিদা চত্থখিবা ক্লিনিক অদুদা মখোয়না উৎখিবা হৈথোইশিংথোইবশিং অদু য়েংলগা খনগৎখিবনি। পনবা য়াই, অশোক কুমারনা মশামক রেফ্রি ওইনা মালেমগী রেষ্টলিং মশান্নগী মেচ ৫০ হেন্না শরুক য়াখ্রে হায়রি।

# অভিনাভ বিন্দ্রনা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন শুটিং ইভেন্টতা শরুক য়াররোই

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ০৪ ঃ

এস মার্ক্সমেন অভিনাভ বিন্দ্রনা জন্যুৱারি থাদা মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন শুটিং ইভেন্টতা মহাক্কী ফেলো কন্ট্রিমেনশিংবু রিও গেমসকী ক্বালিফাই ওইনবগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন শুটিং ইভেন্ট অসি মফম অসিগী ডা. কারনি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা জন্যুৱারি ২৫ দগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি অমদি বিন্দ্রনা মাঙজৌননা রিও গেমসকী মফম অমা কঞ্জবা ঙমখ্রে।

ঐনা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনদা শরুক য়াদবা অসিনা অতোপ্পশিংদা ইন্দিয়াগীদমক ওলেম্পিক্কী কোটা ফংনবগী খুদোংচাবা পীবনি হায়না কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সকী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা বিন্দ্রনা ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।

এসিয়ন নেসনশিংগী রিও ওলেম্পিক কোটা ৩৫ অসি শুটিংগী দিসিপ্লিন অহুম- শুটগন, রাইফল অমদি পিষ্টোল ইভেন্টতগী ফংগনি।

বিন্দ্রদা নত্তনা অতোপ্পা মমিং লৈরবা মীওইশিং মমিং পল্লবদা হৌজিক ওলেম্পিক অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা কোরিয়াগী জোং ওহ জিনসু কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াররোই। জোংনা হৌখিবা নবেম্বর থাদা কুৱেটতা পাঙথোকখিবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখি।

ঐনা দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনদা চৎলরোই অদুবু কোটা ফংদ্রিবা কোরিয়ন শুটরশিংদি মসিগী কম্পিটিসন অসিদা চৎতুনা শরুক য়াগনি হায়না জোং ওহ জিননা হায়খি। ওলেম্পিক কোটা ফংখ্রবা বিন্দ্রদা নত্তনা অতোপ্পা কোটা ফংলবশিংদি ইন্দিয়াগী অপূরভি চান্দেলা অমদি মাইরাজ খাননি। মখোয় অনীসু দিল্লিগী শুটিং ক্বালিফিকেসনদা য়াওররোই।

য়ুম্থু ওইরিবা ইন্দিয়াগী টিমদা শুটর ৬৪ য়াওরি। হায়রিবা টিম অসিদা য়াওরিবশিংদি কোটা ৱিন্নর গগন নরং, জিতুরাই, প্রকাশ নঞ্জাপ্পা, চেন সিংহ অমদি গুরপ্রীট সিংহ, ভিজয় কুমার, হীনা সিধু অমদি মনাভজিট সন্ধুনি। গগন, চেন অমদি গুরপ্রীটনা মিনিম্মম ক্বালিফিকেসন স্কোর (এম কিয়ু এস) কেটাগোরিদা কাপকনি।

চিনাগী টোপ শুটরশিং মনুংদা হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেন'স এয়র রাইফল য়াং হাওরান, মল্টিপল ওলেম্পিক মেদালিষ্ট মেন'স এয়র রাইফল জু ক্বিনান অমদি হৌজিক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেন'স এয়র রাইফল শুটর য়ি সিলিংসু কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াররোই।

অদুম ওইনমক মফম অসিমক্তদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা এসিয়ন এয়রগন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিদবা চিনাগী মেম্বর ১৫ না শাবা টিম অমা থারক্কনি। মসিদা ১২ না শুটগন ইভেন্টতা অদুগা অহুমনা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোনদা কম্পিট তৌগনি।



# ফোর মেন এ সাইদ ফুটবোল

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৪ ঃ

ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (এল টি ৱাই দি ও) ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকায়না শিন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফোর মেন এ সাইদ ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা মমি সোলুসননা এ ৱাই এল সি গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মমি সোলুসনগী গোল অদু রোসন্না চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এফ সি মেমচাতেম্বীনা কে ভি এল গোল ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এফ সি মেমচাতোম্বীগী গোলশিং অদু বিদেশ্বরনা গোল অহুম, বোইনা গোল অনী অদুগা চেষ্টরনা গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা কে ভি এলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু বিদয়ানন্দনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা গোল্ডন এফ সিনা দব্লিয়ু এ সি গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা গোল্ডন এফ সিগী গোল অহুম্মক ফালগুনিনা চনখি। মায়থীহৌরবা দব্লিয়ু এ সিগী গোল অদুনা কিষন্না চনখি।

মরিশুবা মেচতা জুবেনাইল অমসুং লাঙ্গোল নিংথৌ এফ সি গোল চন্নখিদ্রে। মঙাশুবা মেচতা এন ৱাই সি অমসুং এ এল এল গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। এন ৱাই সিগী গোল অদু গপুনা চনখি। এ এল এলগী গোল অদুনা টি কিরনজিৎনা চনখি। ঙসি শান্নখিবা তরুকশুবা মেচতা নোংগ্রেন এফ সি অমসুং সভেন ষ্টার গোল চন্নখিদ্রে।
















